# সদর হিলসকী মখা তাবা খোঙজংগী খন্ননবা ঙসি মীফম কৌখ্রে চরা হেল্লিবশিং ফাজিনবা হৌরে, চয়োল ১গী মতম পীখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, অগষ্ট ২৮ঃ* সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটিনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা হয়েং সদর হিলসকী মনুং চনবা গাংজোংফাইদা মীয়ামগী মীফম অমা কৌখ্রে। মীফম অসিদা সদর হিলসকী এরিয়াদা লৈরিবা মিনিষ্টর / এমএলএশিং অমদি এদিসিগী মীহুৎশিংসু য়াওগনি হায়রি। অমরোমদনা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দগা মরী লৈননা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লকখিবা মীওই ঙসি সেনাপতি পুলিসনা ফাজিনখ্রে।

সেনাপতি পুলিসনা ফাজিনখ্রবশিং অদুদি জি সোংলুন ভিলেজতগী হাটলম হাওকিপ (৪৭) মপুরোইবা জলাং, খুল অসিমক্তদগী নৈলিং কিপজেন (৫২) মপুরোইবা চুংথাং কিপজেন অমসুং জৌজাং ভিলেজদগী নেঙম কিপজেন (৪৭) মপুরোইবা দৌমাং কিপজেন কৌই। মখোয় অহুম্মক ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা সেনাপতি পুলিসনা সপরমৈনা প্রাইমারি হেলঠ সেন্টরদা লাইকন্নদুনা লৈরিঙৈদা ফাখিবনি। হৌজিক সেন্টর অসিদা মীওই অহুম অমসু অরুবা ফিভমদা লাইকন্নরি। সপরমৈনা কৈথেলদসু মীওই অনিনা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লি। কাংপোকপী কম্যুনিটি হেলঠ সব সেন্টরদা নুপী ৭ চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লিবনি। মখোয় ৭ অসি ঙরাং ফাওবা খোঙজং চংশিল্লিবা মফম অদুদা ডাক্তরনা ড্রিপ য়াল্লম্বনি। অদুবু ঙসিদগীদি মখোয় মশা মশানা ড্রিপশিং অদু লৌথোক্তুনা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে। কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসন মমাংদসু মীওই ৬ না চরা হেনবগী খোঙজং চখরি।

অমরোমদনা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটিনা চংশিল্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি হেন্না মপুং ফাননবা কংলা তোম্বীদগী হৌরগা কাংপোকপী থোং ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লম্বীগী মফম কয়া তৌথাইদুনা থল্লি। মসিগী মথক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা মৈ থাখিবা কার, জিপ, টাটা অমসুং অতে গাড়ী কয়ানা লম্বীদা পল শানা থিংবদা নত্তনা নুং কয়াসু পৈরগা থল্লি। মসিগী মথক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং অসি হেন্না মায় পাক্লবা লম্বীসিগী মফম কয়াদা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটিগী ওফিসশিং হাংদোক্তুনা অচৎ-অওকশিং চেক তৌরি। মসিদা সেক্যুরিটি লৈবগী মমি অমত্তা তাদে। দিমান্দ কম্মিটিগী মীওইশিংনা মনিং তম্না মখোয়গী খোঙজং মায় পাক্লা চথহৌরি।

খোঙজং অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট হুদ দিমান্দ কম্মিটিগী স্পোক্সপার্সন সৈখোথাং হাওকিপনা ফোঙদোকখিবদা খোঙজং অসিগী মতাংদা হয়েং গামজোংফাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অসিনা মখা তাবা খোঙজংশিংগী মতাংদা খন্নগনি। করিগুম্বা সরকারগী মাইকৈদগী দিমান্দ অসি হাপ্তা অমগী মনুংদা পীদবা তারগদি হৌজিক চখরিবা খোঙজং অসিদগী হেন্না কনবা খোঙজং কয়া চংশিন্নবা শেম শারে। লোয়ননা মাস হঙ্গর ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চংশিনবা নোংমা নিনি অসিদা ৱারেপ লৌরগনি। চিফ মিনিষ্টরনা এসেমব্লিদা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট থা অহুমগী মনুংদা পীগে হায়রিবসি ওইরোইদবা ৱাফমনি। মসি সি এমগী দিলেয়িং টেক্টিক্টনি। ভারতকী প্রসিদেন্ট অমদি হোম মিনিষ্টরনা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট পীবসি মরম চাই হায়না ফোঙদোরকখ্রবসু চিফ মিনিষ্টরনা থা অহুমগী মনুংদা পীগনি হায়না ফোঙদোরকখিবসি লাইবক থিবনি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী বাউন্দরি রি-ওর্গনাইজ তৌবা হায়বসি দিমান্দ পীরবা মতুংদা শেম্বা য়াই। মসিদি সরকারগী লমনি। সদর হিলস কম্মিটিনা লেপ্পা য়াবা নত্তে। দাবী অসি মণিপুরদগী তোঙানগে হায়বা নত্তে। সদর হিলসকী চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা দিষ্ট্রিক্ট হুদ দিমান্দ তৌবনি হায়খি।